ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, জন্যুৱারী ১৬, ২০১৯, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ২৯১শুবা মশীং

# ঙাদা ফোর্মেলিন অমসুং লেদ য়াওরম্বা

## *হীরমসিদা মখা তানা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহন্নিংই*

কৈথেলদা য়োল্লম্বা ঙাশিংদা ফোর্মেলিন অমসুং লেদ চাং ৱাংনা য়াওরম্বা থেংনবদগী বিহার গভর্ণমেন্টনা পত্নাদা নুমিৎ ১৫ নিগী ওইনা ঙা য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে। তোঙান-তোঙানবা মফমদগী সেম্পল ১০ খোমগৎলগা য়েংবদা সেম্পল ৭ তা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা ফোর্মেলিন য়াওরমখি। সেম্পল ১০ মক্তা লেদ অমদি কেদমিয়ম্নচিংবা হেভি মেটেল মরাং কায়না য়াওরম্বসু থেংনখি। মীওইবগী পূন্সিদা খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবা মরম্না নুমিৎ ১৫ নিগী ওইনা মখল অমতগী ঙা য়োলহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হেল্থ, সঞ্জয় সিংহনা ফোঙদোকখি। ফোর্মেলিন হায়বসি কা-হেন্না হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলনি। মোর্গতা থম্বা অশিবা হকচাংশিং মতম শাংনা পৎথ-পুমথহন্দনবা ফোর্মেলিন শীজিন্নে। ফোর্মেলদিহাইদ কৌবা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা কেমিকেল অমদগী শুংলকপা ফোর্মেলিননা মীওইবদা ল্যুকেমিয়া, ব্লদ কেন্সর অমদি অতৈ লিম্ফোমা কয়া ওইহল্লকপা য়াই। কেন্সরগী মতাংদা থিজিল্লিবা ইন্টরনেসনল এজেন্সী অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফুদ এন্দ ড্রগ এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোর্মেলদিহাইদকী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লেপ্লে। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা য়োল্লিবা ঙাশিংদা ফোর্মেলিন য়াওরম্বগী ৱাফম খুদোংথিবা অনৌবা নংত্রে। অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, কেরলা, তামিল নাদু, মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক্কী মফম কয়াদা য়োল্লিবা ঙাশিংদা ফোর্মেলিন য়াওরম্বগী থৌদোক লেপ্লে। খ্বাইদগী ইহান-হায়না কেরলা অমসুং নাগালেন্দদা য়োল্লিবা ঙাশিংদা ফোর্মেলিন য়াওরম্বনা খুদোংথিবগী অতৌ শেংদ্রবসু মথং-মথং চেক তৌরকপা থৌরাংশিংদা ঙাশিংদা য়াওবা কেমিকেল অসি য়াওরম্বা থেংনখিবনি। কোলকট্টাদা লৈবা ফোর্টিস হোস্পিটালগী ডা. জোইদিপ ঘোশনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ঙা অশিবদা ফোর্মেলিন চাইবা তারবদি মতম কুইনা পৎথ-পুমথহন্দবা ঙম্মী। মরম অদুনা মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা পুথোক-পুশিন তৌরগা য়োনবদা শেন্দোং য়াম্না ফংবা য়াই। ললোন ইতিক তৌরিবা কাঙবুনদি শেন্দোং ফংলগা লোইরে খনবা মরম্না মতম কয়াগী মমাঙদগী ফোর্মেলিন য়াওবা ঙা য়োনবগী থৌওং চৎথদুনা লাকপগী মওং অমা উবা ফংলি। হন্দক্তসু কেরলা ষ্টেট ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টনা কোঝিকোদ দিষ্ট্রিক্টকী ভদাকরাদা ফোর্মেলিন য়াওবা ঙা কিলোগ্রাম ৬,০০০ লোম ফাগৎখি। হৌখিবা থা অনীগী মনুংদা মতৌ অসুম্না কেরলা, তামিল নাদু অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল য়াওবা ঙাশিং ফাগৎখি।

খ্বাইদগী ইহান-হানবা ওইনা মমাঙ চহীগী জুন থাদা দিমাপুরগী কৈথেলদগী ফোর্মেলিন য়াওবা ঙা ফাগৎখ্রবা মতুংদা মণিপুর, অসাম, নাগালেন্দ অমসুং গোৱা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মপান্দগী ঙা পুশিনবা থিংখি। নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ওসিনোগ্রাফিগী সাইন্টিষ্টশিংনা হায়, মোর্গ অমদি মেদিকেল লেবোরেটরিদা অশিবা হকচাংশিং মতম কুইনা পৎথ-পুমথহন্দনা থম্বদা শীজিন্নরিবা ফোর্মেলিনবু ঙা অমদি মীওইবনা চাগদবা অতৈ চীঙ্গাকশিংদা চাইশিনবা য়াদে। মচু লৈতবা কেমিকেল অসি ললোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংনা উহৈ-ৱাহৈ, ঙা, মনা-মশীং অমসুং চীঙ্গাক কয়াদা চাইশিল্লগা য়োল্লকপা মরম্না মীওইবগী হকশেলদা চাউনা খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী শরুক অমা ওইরিবা ইন্টরনেসনল এজেন্সী ফোর রিসর্চ ওন কেন্সর (আই এ আর সী)গী রিপোর্টনা হায়, চীঙ্গাক মখল কয়ামরুম পৎথ-পুমথহন্দনবনি হায়দুনা চাইশিল্লকপা ফোর্মেলিন মিলিলিটর ৩০ খক চাশিনখিবা মতমদা মী শিহনবা য়াই। ফোর্মেলিন নৎত্রগা ফোর্মেলদিহাইদ অমসুং লেদ য়াওবা ঙা মখল কয়ামরুম কৈথেলদা য়োল্লে হায়রিবসিনা চুল্লম্বা তারবদি মীওইবগী হকশেলদা কা-হেন্না খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। মণিপুরদসু হৌজিক মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা মখল কয়ামরুম মরাং কায়না য়োল্লিবা মরম্না হীরমসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কংলা-শা ঙসিসু ঐখোয়গী ষ্টেট এমব্লেম ওইরি। বর্মিজনা অমুক, বৃটিশনা অমুক, অনীরক থুগাইরুরবনি।
   (ক) করম্বা নিংথৌনা কংলাদা কংলা-শা ইহান হান্না শাখিবগে?
   (খ) বর্মিজশিংনা চহী ৭ খুন্তাকপদা থুগাইরম্লবা মতুং নরসিংহ মহারাজনা অমুক নৌনা শাখিবনি। করম্বা চহীদনো?
২। ''মানি নঙসে নুপী/মপু মাগী মঙলাল/মঙলাল মশামক/তাইবঙদা থোকপা লুগী তোংগী হকচাং।'' পরেংশিং অসি কবি মীনকেতনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। ''ঈশ্বর করিনো? ঈশ্বরগী অশেংবা অর্থদি অমরোমদা ইংরাজিদা কন্ট্রোল্লর হায়বনি।'' ৱাফম অসি 'ধর্ম অমসুং বিজ্ঞান' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?
৪। ''খনব্রা নঙনা নুমিৎ অদুদা/ইমাসিং অদুখক্তনি ফি লংথোক/ইকাই ইকি পূম্বা তেমশিংনখিবা।'' পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।
৫। ''শিনাই তুরেলগী মপান্দা চোংথা মিয়াগী হকচাং পোৎলোইখিবা মং অদু, ৱাপল ময়াম অমনা কোয়শিন্দুনা লৈরি। ৱাফম অসি 'মেজর চোংথা মিয়া' কৌবা পুন্সি ৱারীদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭কী পাউখুম ৪ চুম্না থাবীরকখিবদি

| | |
|---|---|
| ১) প্রেমকুমার থোকচোম, খাঙবোক খুনৌ লৈকায় পার্ট থ্রী | (৪) |
| *২) মাইবম নিলান্দো, সাম্বে মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট* | *(৪)* |
| ৩) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায় | (৪) |

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৭কী ৱিন্নর

*মাইবম নিলান্দো, সাম্বে মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

লিটরেরি ক্যুইজ ৮৭কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জন্যুৱারী ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭কী পাউখুম

১। মোংবাহনবদা লৈরিবা মহাবলিগী হনুমান মুর্ত্তি অসি শাখিবা নূং অদু সনা কৈথেলদা য়ুংলম্বা নূংনি।
   (ক) নূং অদু করম্বা চহীদা মোংবাহনবদা চিংশিনখিবগে? *: ১৬৫১*
   (খ) হনুমান লাইশঙদু চহীদুগী করম্বা থাদা শঙ্গাখিবগে? *: হিয়াঙ্গৈ*
২। ''পীক্লবা ৱাহৈ অহুমসে/পূক্তা চেৎনা থমজিল্লু/নীংবা, চান্নবা, থাজবা।'' ৱাহৈ পরেং অহুমসি কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু? *: 'ৱা অহুম'*
৩। ''মমানা চাকখুমদা চঙখিদুনা/চাকথোং চফুদো পুথোক্লক্লগা/কপ্লিবা অঙাংদুদা পায়দুনা শান্নহল্লি।'' পরেং অহুম অসিনা 'অতিয়াদা মুশুকমুবা চাকথোং চফু পাইরে' হায়বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অসিবু ইবা মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু? *: কোন্থৌজম কাংলেনজাউ*
৪। ''ও: তনদন/ঙাল্লা-মুৎলা, ঙাল্লা-মুৎলা/করম্বা ইঙ্গিৎনো নঙনা ঐঙোন্দা পীরিবা?'' পরেং অহুমসিনা সোরোখাইবম গম্ভিনীনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদু য়াওবা লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু?
   *: বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!*
৫। অতল বিহারী বাজপায়ীনা ইরম্বা 'ইক্কিস কবিতাএং' হায়বদু মৈতৈলোন্দা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো হায়য়ু? *: কুঞ্জো সিংহ নিঙোম্বম*

# দ্রাইভরগী নুমিৎ - লৈঙাক্কী মীৎয়েং

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা



*চীংলোন* মাপন্না কোয়শিনবা সনাগী লৈবাকনি হায়নদি নিংথিনা শৈথানরিবা, চীংদনা চীংমী, তমদনা তম্মীনা খুন্দাবা। তমগী মফম কয়াদসু তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইনা খুন্দাবা। চীংমীমক্তদসু ফুরুপ ৩৫ হেনবনা খুন্দারিবা নুংশিরবা লমদম অসে করিমতা লৈতে। লমদম অসিদা থোক্লিবা পোথোক্লা লমদমসিগী মীয়াম্বু থাকচবা ঙমদে। লমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা শীজিন্নরিবা য়ূম, ইমুংগী পোৎতগী চিংলগা খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। পেট্রোল/দিজল মপান্দগী হেক পুশিল্লক্তবদা শেল কোকথোং অমা পায়রে হায়না মমায় থাঙ্গৎতুনা চৎলিবা লমদমসিগী শেঙ্গাও পায়বশিং ফাওবা মমল অতাঙবা গাড়ী থৌবা ঙম্বা লম নত্তে। তাখৎলগে হায়না তাখৎচবগী ৱানি, লমদমসিদা কৈমতা লৈতে। পূম্নমক মপান্দগী মীপান তাংলগা হিংনরিবা ঙাক্তনি। অদুদি থাওদগী চিংলগা পোৎ চৈ পূম্নমকশিং অসি মণিপুরদা কনানা পুশিল্লকই? দ্রাইভরনা পুশিল্লকই, দ্রাইভর অমনা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা থোকপদা, লম্বীদগী লমহেন তুহেনবশিংনা নম-হাদুনা ফূ-চৈবদা, মখোয়গী শেনখায় গাড়ী মপূনা পীদবদা দ্রাইভর, হেন্দলমেনদা তাইনদুনা হাৎতোকপীবদা কনানা মখোয়গীদমক করি তৌবিরি?

লমদম অসিদা লৈঙাক কয়া মরোল মরোল নাইনা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী মশীংনা মতম মতমগী ওইনা মখোয়গী য়াইফনবা ৱা কয়া হায়দুনা লাকই। শেল মুনবা থিংনবা পুলিস আউটপোষ্ট নৎত্রগা ষ্টেসন নেসনল হায়ৱে অনীদা হাংদোক্তুনা থম্মী। অদুবু শেনখায় থুমখায়দগী মখোয়বু ঙাকপীবগী মহুত্তা মখোয়না ওনশিন্দুনা দ্রাইভরশিংদগী শেলদুম নিরি হায়বসু লৈরি। মখোয়গী শেনখায় হুনবদা দ্রাইভর অমদি ঙাক্লিবা মখোয়গী মরক্তা হেন্নদুম নুংশিনদবা লাক্লি হায়না দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোকই। লম্বী অসি ঙাক শেন্নবগীদমক হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স লীংখৎলনি হায়না কয়ারক হায়খিবা লৈখ্রে। দেল্লিদা লৈঙাক্লিবশিংনসু হায়ৱে অনী অসিদা প্রোটেক্সন ফোর্স লীংখৎলনি হায়না হন্না হন্না হায়রম্লে। অদুদি হৌজিক ফাওবা কৈদৌরি। কনানা লম্বীসিদা প্রোটেক্সন ফোর্স লীংবা য়ারোই হায়না থিংই। অথিংবা অমা শোয়দনা লৈরমগনি, মসি ইফোং ফোংবা অরোনবা অমনি। মরমদি মমাঙদা ফোংনা লম্বী অনী অসিদা প্রোটেক্সন ফোর্স লীংখৎপা য়ারোই হায়না ফোংনা লাউবা ওর্গেনাসজেসন লৈখি। লাউরিবা মখোয় অদুগী মরুমদা কনা লৈরি হায়বসু ইফোং ফোংনা খঙনবা ৱানি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কনাগী ৱা তারগা হীরম অসিদা মায় ওনশিনদ্রিবনো? করিগী লম্বী অনী অসিদা অদুগুম্বা ফোর্স অদু লৈবদা খ্বাইদগী চাউনা মাঙজরিবা অসি কনানো? ইখঙ খঙনবা ৱানি। মসিদা মখনাও তৎখৈ লাউখিবা পোলিটিকেল পার্টি অমনা হৌজিক লৈঙাক পায়রে। অদুবু মখোয়সু কৈসু তৌবা ঙমদে।

অদুদি লায়রদনা লম্বীসিদা আই আর বি থম্বা ফাওবা য়ারোই হায়না হায়বদা থম্বা ঙমদে।

অসিগুম্বা কয়াশিং অসিনা লম্বী অনী অসিদা মীয়ামগী চানবা, শেৎনবা, হেক মথৌ তাবা পোৎলম চৈরম পূম্নমক মপান্দগী হোনজিল্লক্লিবা ত্রক দ্রাইভরশিং অসিগী অৱাবা অসি দেল্লি লৈঙাক অমদি লমদমসিগী লৈঙাক্লা উবিরি হায়না লৌবা য়াব্রা? হৌখিবা জন্যুৱারী ১৪, ২০১৯দা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনেল, দ্যুলালেন্দদা ৩০শুবা দ্রাইভরস দে ওবজার্ভেসনগী থৌরম ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর ২৫২গী অয়েকপা শক্তমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা, লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীবা, দ্রাইভর হায়বা শিনফমদগী মশাগী চহীনা য়াদদুনা পোথারবা অহল ওইরবশিংদা খুদোল পোৎ পীবনা থৌরমগী মরুওইবা শক্তম ওইখি। থৌরম অদুদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এস মঙলেমনা প্রিসাইদ তৌখি। গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা এম লক্ষ্মিকুমার, কম্মিস্নর ত্রান্সপোর্ট, এল সোটিনকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি, ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মিষ্টর ঐচ বিক্রম, দিরেক্টর, ঐচ ভি এস কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ অমদি থাংজম অরুনকুমার, প্রোপ্রাইটর, অরুন ইন্টরপ্রাইজেসনা থৌরমগী লৈতেং ওইনা ফমখি। থৌরমগা মরী লৈননা দ্রাইভরশিংগী অৱাবা, মখোয়না খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাং অমদি মখোয়গী পুন্সিদা ওইরিবা শক্তম কয়াশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা ৱাফম কয়া থমখি। কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারী থাদা দ্রাইভরশিংনা চীংনুং-মানুংদা থেংনরিবা অৱাবা, অশোক-অপন নংলিবা, মীশি-মীনা কয়া থোকহল্লিবা কয়াশিং অসি খাঙদুনা মতম কয়া লাক্লবসু খাঙবা ঙমদবদগী হৌনরুবা হায়বা নাইদনা ত্রক দ্রাইভর লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা কোইরেঙ্গৈগী লম্পাক্তা গাড়ী থৌজিন্দুনা নুমিৎ তরেৎনি চূপ্পা খোঙজং চঙশিনখি। মদুদগী পাদম লাক্তুনা দ্রাইভরস দে হায়দুনা চহী খুদিংগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

তাবদা কিনীংঙাই-তুজুংনীংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া হন্না-হন্না থোকখি। ইশম শম্না হায়রবদা কুমজা ১৯৯৪গী জুনদা নাগালেন্দগী জুবজাদা মশক খঙদবা খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিংনা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয় অমা ছুটি থারিঙৈদা হেন্দলমেন ওইনা চৎচবা অমা তমথীনা হাৎতোকপীখি। মদুদা পেন্দ্রবা দ্রাইভরশিংনা নুমিৎ কয়ানি চূপ্পা প্রোটেষ্ট তৌখি। মতম অদুদা নাগালেন্দগী মিনিষ্টর ফাওবা লাক্তুনা মতুংদা অদুগুম্বা খুদোংথীবা থোক্তনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগে হায়না থাজবা পীরমখি। মীয়ামগী চানবা, শেৎনবা, য়ূম শানবা, পেট্রোলনচিংবা মখল কয়াগী পোৎ পুরকপদা লম্বীদা থৎতুনা মৈ থাদোকপা, অয়াওবা শেল মুনবা, মদুদা নত্তনা তমথীনা ফূবিবা, হাৎতোকপীবা কয়া তত্তনা থোক্লি। লম্বীসিদা বন্দ তৌবা মতমদা নূংনা থোমদুনা গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভরশিংবু অশোক অপন নংহনবা, গাড়ী লোকখাদা ইন্থবা, মখল কয়াগী অৱাবা অমদি অশি-অনা থোকহল্লি। মথৌনা লৈবা দ্রাইভরনা মকোক কায়রবা ফাওবদা ফিনা মকোক পুন্দুনা ৱানা গাড়ী থৌরকপা, নোংমৈনা মবুক্তা পাল্লবা ফাওবা মখূৎ নাম্মনা ঈ মেন্দুনা মখূৎ নাম্মনা গাড়ী ৱানা থৌরকপা কয়াগী ৱারী ঐখোয়না তাখিবা লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা মথৌনা লৈবা মখোয় অসিবু মরৈবাক মরমদম্বু তশেংনা নুংশিবদগী মীয়ামগী মতেং পাংনবগীদমক মথ্বায় খূবাক্তা হাপ্তুনা গাড়ী থৌরিবনি। মখোয়নি অথৌবা, মখোয়নি থৌনা লৈবা, মখোয়নি মরমদম্বু নুংশিবা, মখোয়নি মীয়াম্বু নুংশিবা।

মখোয়গীদমক অখন্নবা পেন্সন স্কিম, শিরক-নারকপা মতমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা কম্পেন্সেসন, মখোয়গী মচা মশুশিং হিংজহৌনবা থবক-ইনখাং পীবিবা, শোক্লক-নারকপদা লেম্না লায়েংবীনবা অখন্নবা স্কিম অমা শেম্বীদুনা মখোয়গী তুংগী আশা অমা পীবিবা চুম্মী। লোয়ননা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপা য়াবা অখন্নবা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা ষ্টেটকী থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎপীবা মথৌ তাই। লন্নাই মীওই, ওর্গেনাইজেসন, গভর্ণমেন্ট পূম্নমক্না হীরম অসোমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মতম থিল্লে। লোয়ননা ত্রক লোয়রিবা মপূশিংবুসু অখন্নবা মনা পীফম থোকই। মখোয়না ত্রক লোয়দ্রবদি দ্রাইভর লৈবা য়ারোই। মখোয়গী গাড়ীনা অশোক-অপন, অতেক-অকায় থোরকপা মতমদা গভর্ণমেন্ট অসিনা তৌফম থোকপা অখন্নবা তেংবাঙ পীবা য়ানবা স্কিম শেম্বীবা চুমগনি।

# পোলিটিক্স অমসুং ওলিম্পিক গেমস - ১

—লৈশাংথেম অজিৎ—

*এদোল্ফ হিটলরনা* জর্মনিগী লৈবাক মপূ ওইরিঙৈদা কুমজা ১৯৩৬কী ওগষ্ট থাদা বর্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্তুনা মহাক্লা মালেমগী মীয়ামদা জর্মনি অসি য়াম্না চাওখৎপা, শান্ন-খোৎনবদা মপূক্লিং চঙবা, মীরৈবাক্তগী লাকপা শান্নরোয় অমসুং ওফিসিয়েলশিংবু লুনা চান্না তৌবা, চাবা-থকপা ৱাত্তবা অমদি হীরম খুদিংমক্তা অতৈ লৈবাকশিংদগী হেন্না মাঙজিল থাবনি হায়বা উৎনবা লৈবাক অসিনা ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা বর্লিন ওলিম্পিক অসি মালেমদা ঙসি ফাওবা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নিংথিনা অশিল অরাং তৌখিবা গেমসনি হায়না লৌনরি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা ওলিম্পিক অদুবু নাজিজম **(Nazism)** শন্দোকপগী অচৌবা প্লেটফোর্ম অমা ওইহনখিবা অদুদি মালেম পূম্বনা মহাক্কী থৌওং অদুবু পাম্নখিদে।



কুমজা ১৯৩০গী মে ১৬তা বর্লিন য়ুনিভর্সিটিদা ফমখিবা ওলিম্পিক কোংগ্রেসতা জর্মনিনা ১১শুবা ওলিম্পিক গেমস কুমজা ১৯৩৬তা পাঙথোক্কদবা অদুগী মপূ ওইজগে হায়না অইবা চেরোল পীশিনখি। অদুবু কুমজা ১৯৩১গী এপ্রিল ২৫দা বর্সেলোনাদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক কম্মিটিগী মীটিংদা জর্মন ওলিম্পিক কম্মিটিগী মীহুৎ ডাক্তর লীৱালদনা লৈবাক অদুনা ওলিম্পিক পাঙথোকপগী অয়াবা অদু পীনবা তিল্লিবা মীয়াম অদুদা মখোয়গী থৌরাংশিং অদুগী মরমদা শুগাইনা পাউদমখি।

কুমজা ১৯১৬তা লৈবাক অসিনা ওলিম্পিক গেমসকী য়ূম্বু ওইগদবদা অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও তৌখিবনা মরম ওইদুনা গেমস অদু পাঙথোকখিদে হায়নসু পনখি। তৌইগুম্বসুং বর্সেলোনানা বর্লিনগী লম্বা ওইনা ওলিম্পিক অসিগী মপূ ওইগে হায়না চোঙথোরকখি। মরম অদুনা ভোট লৌনবদা বর্লিননা ভোট ৪৩ ফংখি অদুগা বর্সেলোনানা ১৬ ফংখি। ভোটর ৮০ লাকখিদে। মখোয়গী পোষ্টেল ভোট লৌনরবা মতুংদা চহী অসিমক্কী মে ১৩দা ভোটকী রিজল্ট হায়দোক্তুনা বর্লিন সহরবু ১১শুবা ওলিম্পিক গেমসকী য়ূম্বু ওইনবা খনখি।

জর্মনি, ওষ্ট্রিয়া, হঙ্গেরি অমসুং টর্কিনা মায়কৈ অমদা লৈরগা ফ্রান্স, বৃটেন, ইটালি অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মীচং ওইবা লৈবাকশিং অসিগা অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও কুমজা ১৯১৪দগী ১৯১৮ ফাওবা শোক্লখিবদা জর্মনিগা মীচং ওইমিন্নখিবা লৈবাকশিং মায়থীবা ফংখি। লাঞ্জাও অসিনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯১৬তা বর্লিন্দা পাঙথোক্কদবা ৫শুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিদে। লাঞ্জাও অদুদা মায়থীবা নংখিবা জর্মনিগী মরমদম চাদা ১০ মাঙখি। লৈবাক অসিগী মখাদা লোয়লম ওইনা লৈরম্বা লৈবাকশিংসু মাঙখি, সিফাই মশীং হন্থহনখি। ভারসেল্লিজ সহরদা তৌনখিবা য়ান্না চেরোল অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবা কয়ামুক থমখি। অদুবু জর্মনিশিংনা লমন শিংনীংবগী ৱাখলদি অদুমক থরুম তৌদুনা লৈখি। মখোয়গী মনুংদা এদোল্ফ হিটলরসু অমনি। লান তৌনখিবা য়েক্লবা মায়কৈ অনী অসিগী মরক্তা য়ানখিবগী চেরোল ইনখিবা অদুগী মায়োক্তা হিটলরনা মহাক্কী লাম্মী মশীং হেনগৎহনবা পাম্মী। জপান অমসুং ইটালিগা অফবা মরী থম্বসু পাম্মী। অসিগুম্বা মমা লৈবাক্কী মতিক মগুন মালেমদা খঙহন্নীংবা অদু উৎনীংবা মতম অসিদা জর্মনিগী কোনুং বর্লিন্দা কুমজা ১৯৩৬তা তরামাথোইশুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখি।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটনা বর্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীবা মতমদা এদোল্ফ হিটলরদি জর্মনি লৈঙাক্কী মপূ ওইদ্রি। মহাক্লা লৈবাক অসিগী হেদ ওফ দি ষ্টেট (মপূ) ওইখিবদি কুমজা ১৯৩৩গী জন্যুৱারী ৩০দনি। মরম অদুনা মহাক ওলিম্পিক অসি য়ূম্বু ওইনবা হোৎনবদা শরুক য়াখিদে। অদুগী মথক্তা কুমজা ১৯৩২দা লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবা শেনফম মতিক চানা লৈতবগী জর্মনি ওলিম্পিক কম্মিটিনা মীয়ামদগী শেলগী মতেং নিদুনা হোৎনখিবা অদুগী মহাক্লা মতেং পাংখিবসু লৈতে। মতম অদুদা মীয়ামদগী শেলগী মতেং নিরম্মী। জর্মনি লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রিদগী জর্মন মার্ক লাক্ষ অমা ফংখি। স্পিসিয়েল পোষ্টেজ ষ্টাম্প ফোঙদুনা অমসুং চিথি খেলা শান্নদুনা শেল ফংনবা হোৎনখি। মসিগী মথক্তা জর্মনিদা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা থৌরমশিং হায়বদি ফুটবোল টুর্নামেন্ট, এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপনচিংবা পাঙথোকপা মতমদা শরুক য়ারিবা টিম নৎত্রগা শান্নরোয়শিংগী এন্ত্রি ফী হায়বদি মিংজল শেল লৌবদা ওলিম্পিক অসিদা মতেং ওইনবা অহেনবা শেনফম লৌই, মসিবু 'ওলিম্পিক পেন্নি' হায়না খঙনৈ।

কুমজা ১৯৩২দা লোস এঞ্জেলসতা ১০শুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈদা জর্মনিগী টিম অমা গেমস অদুগী অশিন অরাং অদু য়েংহন্নবা থাখি। চৎলিবা টিম অদুনা ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা 'ওলিম্পিক ভিলেজ' শেমদুনা শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসিয়েলশিং থম্বা অদু উখি। একর ২৫০ পাক চাউবা চীংথক অমদা ভিলেজ অদু শাদুনা ভিলেজ মনুংদা হোস্পিটাল, পোত্থাফম, কুম্মৈ য়েংফম, পুলিস লৈফম, মৈহৌ লাংপোক হৌরকপদা কন্নবা মফমনচিংবা থল্লম্মী। ওলিম্পিক অদুদা অহানবা ওইনা ইলেক্ট্রিক-ফোটো টাইমিং লমজেলগী অথোই অহেন তান্নবদা শীজিন্নখিবা, টেলি টাইপ কম্যুনিকেসন অহানবা ওইনা শীজিন্নবা অমদি অহানবা ওইনা মায় পাকপা শান্নরোয়দা মেদল পীবদা 'ভিক্টরি ষ্টেন' দা লেপহল্লগা পীবনচিংবা অসি জর্মনগী দেগেটশিং অদুনা খঙজিনখি।

হিটলরনা পৱার পায়বা থা অনীগী মতুংদা মহাক্লা চাঞ্চেল্লর ওইরম্বা অদু দিক্টেটর ওইবগা চপ মান্নখি। অদুবু থুনমক মার্চ ৫দা ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্পখি। তৌইগুম্বসুং ভোট পাঙথোক্ত্রিঙৈদা পার্লিয়ামেন্ট অদু অহিংদা মৈ থাদোকখি। অদুবু কম্যুনিষ্টতা তাইনখি, লৈবাক্লা কম্যুনিষ্ট পার্টি থিংখি, সোসিয়েল দিমোক্রেটকী মেম্বরশিং ফাখি। হিটলরনা মার্চ ২৩ **Enabling Act** পাস তৌখিবগা লোয়ননা থা মঙাগী মতুংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট হেন্দিনবর্গ লৈখিদে। মরম অদুনা মহাক্লা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টসু ওইখি, চাঞ্চেল্লরসু ওইখি।

মতুং তারকপদা 'অরিয়ান' নত্তবশিংগী মথক্তা ওৎপা হৌরকখি। জিয়ুশিং থবক্তগী লৌথোকখি, জর্মনি 'লীগ ওফ নেসন্সগী মেম্বর ওইরম্বদগী তোকখি। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওগী মতুংদা শেমখিবা মালেম অসিদা ৱাথোক লান্থোক থোকপদা শন্দাইননবা, ঈং-তপ্পা লৈনবা শেমখিবা লূপ, য়ুনাইটেদ নেসন্স শেমদ্রিঙৈদা লৈরম্বা লূপ অসিদগী তোকখিবা অসিনা জর্মনিগী খোঙথাং অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা কূপ্না য়েংশিনবা হৌখি। মহাক্লা জিয়ুশিংবু স্বিমিং পুলদা ইরোইবা য়াহনদে, অথিংবা থম্মী। জিম্নাজিয়ম অমসুং অতৈ শান্নফমদসু চঙবা য়াহনদে, অথিংবা থমখি। মখোয়বু শান্ন-খোৎনবদা অথোয় অহেন তান্নবদসু শরুক য়াহনখিদে। চহী অদুগী জুলাই থাদা ভেয়নাদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক কম্মিটিগী মীফমদা হিটলরনা জর্মনি জিয়ুশিংগী মথক্তা লৌরিবা খোঙথাং অসিবু য়াম্না হকচিন্না লৌখি। মদুদা জিয়ুশিংবু কুমজা ১৯৩৬কী ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহনগদবনি হায়বা ৱারেপ লৌখি।

ৱারেং অসি ইবদা নৈনখিবা লাইরিকশিংদি (১) দি কমপ্লেট বুক ওফ দি ওলিম্পিক্স : দেভিদ (২) ওলিম্পিয়দ ১৯৩৬ : জুদি হোলমস (৩) দি হিষ্টোরি ওফ ওলিম্পিক্স : মেলভিল (৪) ওলিম্পিক গেমস : কিলানিন, জোন রেদদা (৫) ওলিম্পিক গেমস : লৈশাংথেম অজিৎ (৬) স্পোর্টস এন্দ পাষ্টাইম : হিন্দু পব্লিকেসন

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*